# য়েক্নবা অহুম

মী খুদিংমক পুন্সিসিদা পোল্লুরবনিনা মপোকসিদা চাংয়েং অমদি মায়ওক্নে। চাংয়েংদুদা মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবগী মতুংইন্না পুন্সিগী মশক লেপ্পী। য়াবীনীংদবরা? মায়থীবা হায়বসি কনানসু পাম্নদে। মায় পাক্কনি, ঐনা ঙমগনি খল্লগা চাংয়েং খুদিং মায়ওক্নরিবনি। মায়থীগনি খঙলবদি মায়ওক্নরুদ্রবসু য়ারে। মদুবুনি 'চঙজবা' (সরেন্দর) হায়নরিবা। পুন্সি চাংয়েংদা মায়ওক্নন্দনা চঙজবা হায়বদি 'শিব' বুনি (ঈশ্বরগী খূয়াদা চঙজবা)। অদুবু কনানসু 'অশিবা' বুদি পাম্নদে। শুনীংঙাই নোমনীংঙাই লৈত্রবা, তোনবদগী তোল্লবা, শোনবদগী শোল্লবা, নোংমগী চরা অমা ফাওবা তনবা ফংদ্রবা 'মহাক' অদুসু হিংনীংই। হিংনীংবা হায়বসিদগী হেন্না কনবা ময়াই (নিশা) অমা লৈতে। নিশা অদু ঐখোয়না করম্না শীজিন্নদুনা হিংবগে হায়বদুনা লেপ্পী - মায় পাকপগী চাং নৎত্রগা মায়থীবগী চাং।

মীওইবা হায়বসিসু নায়তোম হিংবা হৈতবা জীব মখল অমা ওইরুবনা, চাংয়েং অমা মায়ওক্নরকপা/লানফম অমা থেংনরকপদা ইথন্তা নায়তোম থেংনবা য়াদে। ঐগী ওইবা মী, ঐগী মীচং হায়বা অমা তঙাইফন্দনা চঙই। অদুবুনি ঐখোয়না 'মরুপ' অমদি 'য়েক্নবা' হায়দুনা মখল অনী খায়দোক্লিবা। অনৌবা 'পুন্সি মহিং' অসিদদি মরুপ নৎত্রগা য়েক্নবা কনানো খন্দোকপদুসু অরুবা থৌদাং অমনি। লুনা তিন্নরম্বা মরুপ অনী, 'ৱাহৈ অম'দগী য়েক্নবা ওইনখিবা য়াই। কনাগুম্বী অমগী নুংশি ৱাখলনা, মরুপ অনী কায়নহনখিবসু য়াই। থাজদবা থৌদোক অমনা য়েক্নবা অনী, চান্নবা মরুপ ওইহনখিবসু য়াই। পুন্সি লানফমদা ঐগী য়েক্নবা কনানো, ঐগী মরুপনা করম্বনো হায়বা খঙদোক্তনা করম্না লান পাগনি?

ৱাহৈসি য়াম্না মরিং-মরাংবা ওইনা থোকপীবদি য়াই, অদুবু অমুক্তং লুথনা খন্থবীয়ু... 'ঐগী খ্বাইদগী চাউবা য়েক্নবদি ঐনি'...। মীওইবা খুদিংমক্তা মশাগী য়েক্নবা অহুমখক লোত্তুনা লৈ। মদুদি (১) পল্লেপফম খঙদবা ৱাখল, (২) চিংনবা অমদি (৩) অকিবা। অদোমগী পূক্নিংদা অহুম অসিগী মনুংদা অমনবু মকোন শাদুনা লৈখ্রবা, অতোপ্পা অনীদুসু তুংইন্নরকপা শোয়দ্রবনি। মখোয়নবু পূক্নুংদা লৈরবা, ৱাখলসু মথৌ তৌবা লেপখ্রনি। ৱাখলনা মথৌ তৌদ্রবা, পুন্সিগী মায়ওন খঙলরোই। শোয়রোই অমম্বা লোক্নুং তন্নক্নি। অসুম্না, পুন্সি কৌবা চায়নপুঙসিদা, মায় পাকপা লাল্লোয় ওইনবগী খ্বাইদগী চাউবা থৌদাংদি ইশাগী য়েক্নবা অহুমসিবু হান্না লাঙ্গৈই চনবনি।

'অতল বিহারি বাজপাই' না মাগী শৈরেং 'ঐ' হায়বদুদা হায়, 'ঐনা খ্বাইদৈ কিবসি ঐনি'। কৃষ্ণনসু হায়, 'নঙনা নঙবু খঙদনা, কনানা নঙবু খঙবীনি?'

ঐনা ঐবু খঙলবা, মালেমসিবু খুদুম চনবা ঙম্লনি, পুন্সি চাংয়েংদা মায় পাক্লনি। মায়পাকপগী অহানবা খোঙথাং, ঐগী য়েক্নববু খুদুম চনবগী ৱাফমসি হাইফেত্তং নৈনসি।

পল্লেপফম খঙদবা ঐগী ৱাখলনা খুদোংথীবা পূম্নমক্কী মরূনি। তৌগদবা থবক্না করিনো, চৎকন্দবা লম্বীনা কদোমদনো, ঙাঙগদবা ৱাহৈনা করিনো, ঙাঙলোইদবনা করম্বনো... অমত্তা মথোঙ মরম খঙলক্লোই। ৱাহৈ অমা হায়রমদাই, থবক অমা তৌরমদাই 'চিংনবা' ৱাখলনা মাঙওইনদুনা মশাগী ৱারেপ অমত্তা লৌঙল্লোই। মশানা মশাবু থাজরোই, অতোপ্পা মীবুসু থাজরোই। থাজদবা অদুনা, মহাক্কী মরুপ লৈরক্লোই, পূম্নমকপু য়েক্নবা ওইনা উরক্কনি। ৱাফম খুদিংমক্তা মশাগী ফিরেপ লৌঙমদবদুনা 'চিংনব'গী মরূ হুনখ্রনি, পোজিটিভ ওইবা ৱাখল অমত্তসু খল্লক্লরোই। মশাবু থাজদবদুনা, মীপূম খুদিংমকপু 'চিংন মীৎয়েং' না য়েংলক্কনি। মশামক্কী লোয়নবীদফাওবা চিংনরবা মীশক্তুনা 'মরুপ' কদায়দা থিরুদুনা ফংগদগে? 'পল্লেপফম খঙদবা ৱাখল' অমদি 'চিংনবা' অনীনা পুল্লগা ওইরকই - 'অকিবা'। য়েক্নবা অহুম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী তমথীবা য়েক্নবনি 'অকিবা'। মহাক্কনি অদোম্বু খুদুম চনখিদৌরিবা লায়না, অদোমগী থৌরবা খূৎলায় কয়া ময়াই চমহন্দুনা।

'করিনো অকিবা হায়বদি? ঐনা কনাবুসু কিরুদে', হায়বীরকপা য়াই অদোম্না। পাঙ্গল ফবা অদোম'না কনাগুম্বগা 'শয়েং পাম্বোম ঙানবা কিরুন্দব'দু নত্তে মতাংসিদা পঙ্গরিবা 'অকিবা'। অদোমগী পূক্নিং-ৱাখলনুংদা, ইশা খঙহন্দনা লোৎলিবা, তমথীবা ৱাখলগী মশক অমনি। ইশাদা য়াওরে খঙজরবসু, মাবু খঙদোকপা অরায়বা নত্তে। ৱাফমসি তরাইনা লৌবীগনু। করম্বা মখলগী অকিবনো লোৎলিবসে ঐঙোন্দা? খঙদোকমিন্নসি অমুক্তা।

মীওইবনা থেংনরিবা, অকিবা মখল তরুক'নি। পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা থেংনরগদবা। (১) 'লায়ররক্কনি' খনবগী অকিবা; (২) মীনা থীনা (ফজনা নত্তবা) ঙাঙনরমগনি খনবগী অকিবা, (৩) (অকনবা, অরুবা) অনাবা অমগা শাগোন্নরক্কনি খনবগী অকিবা; (৪) ঐগা নক্নবা (নুংশিজবা) কনাগা (শিখিদুনা) কায়নগনি খনবগী অকিবা; (৫) নোংমা শোয়দনা হনুরক্কনি খনবগী অকিবা; (৬) শোয়দনা থেংনরগদবা 'শিব' গী অকিবা।

অকিবা হায়বসি অমরোমদা, করিসু নত্তে। ঐখোয়গী পূক্নিংগী থাক অমনি। মীওইবা খুদিংমক্তা মশাগী পূক্নিং-ৱাখলবু লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্বগী শক্তি অমদি য়াওজবনি। অদুবু, মালেমদা লৈরিবা মী অয়াম্বনা শক্তি অদু শীজিন্নবা ঙমজদে, করম্না শীজিন্নগদগে খঙজদে। মরম অসিনা, মশাদা লোত্তুনা লৈরিবা 'য়েক্নবশিং' অদুনা মহাকপু খুদুম চন্দুনা থম্মী।

ঐখোয় পূম্নমক্না খঙফম থোকপা ৱাফম অমগা লৈ। অদুবু, কনানসু ৱাফম অসি মরু ওইনা লৌনদে। মদুদি- মহৌশা লাইরেম্বীনা লৈশেম্বা মপূনা মীওইবা খুদিংমক্তা, মীচং মীখায় নাইদনা, চপ মান্নবা শক্তি অমা পীবিরম্মী ... ৱাখল খনবগী শক্তি। কনাগুম্বা অমনা ৱাখল খনগে/খল্লোয় মনীংনি। 'ৱাখল' মুক নীংতম্বা, অতোপ্পা অমা লৈতে। মীওইবগী থবক খুদিংমক, ৱাখল অমনা মাঙওইনৈ। অফবা থবক/ফত্তবা থবক ৱাখলদুনা ওইহল্লকপনি। অকিবগী হৌরকফমসু ৱাখলনি, খুদুম চনগদবসু ৱাখলনি।

'লায়রবা' অমদি 'ইনাকখুনবা' - ওন্ন তৈনবা ৱাহৈ অনীনি। মীওইবগী পুন্সিগী মশক অনীনি। মসিদি ৱাখলগী থাক নত্তে, ৱাখলদুনা পাঙথোকখিবা থবক মখল অনিনা পুন্সিদা পীরকপা মহয় মখল অনীনি। 'লায়রবা' তম্না চৎলিবা লম্বী অমদি 'ইনাকখুনব'না পন্থুং ওইবা লম্বী অনী অসিদি কৈদৌঙৈ উন্নররোইদবা, খা-ৱাং পাংনা চৎলিবা লম্বী অমমমনি। লম্বীসিদা চৎলগা 'লায়রবা' কৌবা লাই অদু থেংনগনি হায়রবদি কনানসু চৎনীংলোই, কি। 'অতোপ্পা লম্বীদু ইনাকখুন্নবগী লম্বীনি' কনাগুম্বনা হায়রুরবদি পূম্নমক্না হোৎচিন্নখিদুনা চৎফম খঙলোই, নেৎশিন্নগনি। লম্বী লম্মখাঙদা লম্মুক্নহৌগনি, লম্বী মাঙখিগনি, থুনা লায়র তানগনি। মীনা হায়বা থাজবীরুনু। ইনাকখুনবা তম্না চৎপা লম্বীদি তিঙ্খং-তুম্বৌতনা থনবনি, অকূৎ-অতোঙসু নাইবনি, নুঙ্গায়-চোয়সু লৈবনি। লায়রবগী লম্বীদি তরু-তনান লৈরমগনি, নুংঙাই-য়াইফনা থল্লমগনি, ইনাকখুন্নীংবগীনিশাদা লাইচুরবা মরুপ-মপাংসু ৱাৎপা লৈরোই। ঐনা চৎলিবা লম্বীসি অরানবরা/অচুম্বরা? লেপচগাদবদি ইশানি। চৎপবু হৌরুরবা, ইশানা খ্বাইদৈ চেকশিনগদবসি ইশাগী ৱারকপা ৱারবা পূক্নিং'নি। হায়ন তনবা য়াবা, অচুম্বা লম্বী তাকপা ঙম্বা পূক্নিংদি মমল পীদুনা কৈথেলদগী লৈরুগদবা নত্তে, শেমজগদবনি ইশানা। লমকেৎপা পূক্নিংগী থৌইনশিন্দা, লম্বী লম্মখাঙদা লেপখ্রবা, খুদি থিদুনা তুখ্রবা-কনাবুসু মরাল শীবীরুনু, তাইশিনবীয়ু ইশাদা।

অকিবা মখল তরুকসিদা খ্বাইদৈ তমথীবা, মাঙহন তাকহন ঙম্বদি 'লায়রবগী অকিবা' অসিনি। অকিবা হায়বসি ৱাখলগী মহীক অমনি, মতম চূপ্পদা নীংশিংবীয়ুকো। মসিনবু কোক্তা চঙখ্রবা - অনৌবা ৱাখল পোল্লুরোই, থবক্কী মরম চাবা/চাদবা খঙলরোই, থবক তৌনীংবা ফাওররোই, হয়েংবু তোয়না নীংশিংলনি, হৌজিক্তগী হোরেনবু হেন্না নুংশিরনি, মতম য়ৈথোকপনা হৈনবী ওইরক্লনি, মীনা তৌবা থবক্তা ওইরোই হায়দুনা য়ৈথৎকনি, খাঙবা কনবা হায়বা ৱাহৈসি মহাক্কী মফমদা লৈররোই। তাইবঙপান অসিমক তিঙ্গাকোক ওইনা উরক্লনি।

করিগীনো মসিনা অসুক তমথীরিবা? 'লায়রবা' হায়বসিদৈ হেন্না ইকায়বা, মসিদৈ হেন্না খাঙঙমদবা অৱাবা, অতোপ্পা অমা লৈরমগদ্রা? 'লায়রবা' গা হকথেংনরুবা মহাক্তনা খঙবা ঙমগনি, ৱাহৈনসু ফোঙঙমলোই। 'লায়রবা'বু কিদবা মী লৈতে। অদু ওইরবদি 'ইনাক খুনবা হায়বদু করিনো'? হোৎনরোদনা খঙনবা! অদুসু হোৎননীংদে। মীগী মপোৎ মরল হুরাল্লগা নৎত্রগা লাকপা ফোয়বা তৌদুনা 'পৈশা' (শেল) পায়রিবা মহাক্তবু, কৌনরি ঐখোয়না 'ইনাকখুনবা'। মখোয়দুদি অশেংবা মীওইবগী ৱাহৈদা 'ইনাকখুনবা-লায়রবা' হায়বদুনি। অশেংবা 'ইনাকখুনবা' হায়বদুদি - 'শেল-থুমদা য়েংলসু, মহৈ-মশীনদা য়েংলসু, লৌশিংগী পুক্কেদা য়েংলসু, ৱাখলগী থাক্তা য়েংলসু ৱাৎপা লৈতবা মীশক্তুনি'। য়াবীনীংদবরা?


'মেটেরিঅলিষ্টিক ৱর্ল্ড' অসিদদি হিংবদা চঙবা মচাক অদুতনা মরোইরে! ৱাখলসি নৎত্রা, ঙসিগী মীরোলদা চেল্লিবা? নুংশিবগী মমলদি শেলনা লেপ্পা য়াদেদনা! অদুবু মমলদু লেপ্পদা শেলগী মতেংনা শেমগৎপা তাইবঙ অমদি চঙই। অদুইদমক্নি শিবা-চঙবা থিদনা হোৎনরিবা পূম্নমক্না, চায়নপুঙসিদা চায়নরিবা লৈজবা ৱাখলগী খূৎলায় পুথোক্নন্দুনা।

চায়নপুঙসিদা পজেঙ ফিরাল থেৎনবনি, য়েক্নবা অহুমসি খুদুম চনসি হায়জরিবা। য়েক্নবা অহুমসিবু লাকশিনবমক ঙমদ্রবসু নীংথিনবু শকখঙলবা, ইনাকখুনবৈ লম্বীদা মায়কৈ চুম্না লাক্লবনি খঙবীয়ু। **– *ইন্দ্রকুমার***

# পুন্সি কেনভাসতা ৱাহৈশিংনা য়েক্লিবা লাইশিংদা পাউখুম থিরিবা শৈরেং লাইরিক "ঐগী কেনভাস" - মিৎয়েং অমা



লাইরিক্কী মমিং :-
**ঐগী কেনভাস**
অইবা :- **এন এস সিংহ**
**(নোংমাইথেম সিংহজিৎ সিংহ)**
অফোঙবা :-
**ইমাখোলগীদমক নোংমাইথেম ওংবী অনৌবী দেবীনা ফোঙজবা**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লমায় মশীং - **১১২**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২০০/-**




নোংমাইথেম সিংহজিৎ সিংহ কুমজা ১৯৫৮-গী জন্যুৱারী ৭তা খুরাই সোইবম লৈকায় অয়াংপল্লিদা পোকখি। মেট্রিক পাস তৌরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক ইম্ফালদগী কুমজা ১৯৭৬তা ইলেক্ট্রিকেল ইঞ্জিনিয়রিংদা চহী অহুমগী দিপ্লোমা পাস তৌখি অমদি চহী খরা ষ্টেট ইলেক্ট্রেসিটি দিপার্টমেন্টতা এস ও ওইনা থবক তৌরমখি। মসিগী মতুংদা ইন্দিয়ন রেলৱে সর্ভিসতা পর্মোনেন্ট ৱে ইন্সপেক্টর ওইনা কুমজা ১৯৭৯দা মালিগাওদা থবক তৌখি। মসিগী মতুংদা মথং-মথং প্রমোসন কাদুনা দেপ্যুটি চীফ ইঞ্জিনিয়র ফাওবা ওইরমদুনা ইন্দিয়ান রেলৱে সর্ভিসতা থৌদাং চাউনা লৌরল্লবা মতুংদা কুমজা ২০১৭তা থবক্তগী পোথাখি। মণিপুর অমসুং মপান মণিপুরদা লৈবা খোরিরোলগী লূপশিংগী লাইফ মেম্বর ওইদুনা থৱায় হকচাং য়াওনা মণিপুরী খোরিরোলবু নুংশিজবা অমা ওইনা থৌদাং কয়া লৌরি। হৌজিক ফাওবদা অইবনা এদিটর ওইদুনা ফোঙলবা লাইরিকশিংদি, "ইম্পোর্টেন্স এক্স এন্দ ত্রিতিস এসোসিএটেদ ৱিথ নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেটস (ইংলিস) 'শৈরেং অমসুং সমরেন্দ্র' (অরাম্বম সমরেন্দ্রগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বসিদা শক্নাইরবা মণিপুর, অসাম অমসুং ত্রিপুরাগী অইবা ৬৩না ইবা) অসি কুমজা ২০১৮দা ফোঙখি। মসিগী মতুংদা মশাগী শৈরেং লাইরিক 'ঐগী কেনভাস' হায়না মিংথোনবা শৈরেং ৮৭কী খোমজিনবা লাইরিক অসি কুমজা ২০১৯দা ফোঙখি।

পুন্সি হায়বসি খোঙজেল য়াঙনা চেল্লিবা ত্রেন অদুগা পাংখকনি। ত্রেন ষ্টেসন কয়াদা লম্বী চৎলিবশিংনা মাগী মাগী পন্থুংফম য়ৌনবা খোঙশানবা, পন্থুংফম অমুক য়ৌদুনা লৈহৌবা, খোঙচৎ অদুনা লোইদ্রিবফাওবা লেপ্তুনা চৎপদুনি। পোকপদগী শিবা ফাওবগী খোঙচৎ অসিমক অৱা-নুংঙাইনা পিক থল্লি। অৱাবতা থেংনবশিংনা খোঙচৎ অসিবু তিঙ্খং তুম্বৌনা পিক থনবা য়াম্না শাংবা লম্বেল ওইনা খল্লি। নুংঙাইবতা থেংনরিবশিং মতমসে য়াম্না তেন্না চৎখিবোই নীংই। লাই য়েকপশিংনা পুন্সি অসিবু পাক্ল-চাওরবা কেনভাস অমগুম্না য়েংই অদুগা অইবশিংনসু পুন্সি অসিবু ৱাহৈশিংনা লৈশাৎ তল্লিবা পাক্লবা কেনভাস ওইনা খল্লি। হিংবদা অমদি হিংনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, খুন্নাইসিদা লৈরিবা মী মশেল মরক্তা লৈরিবা অনেম অৱাং, অচৌ-পিশক, য়েংথিনবা, কল্লক মীহৌবা, করাম চাওবা মতৌশিং; ফুরুপ অমনা অমবু য়েংনরিবা মীৎয়েং, লৈবাক খুন্নাই অমদি শেন্মীৎলোন পূম্নমক উরগা ইদবা ঙমদে অইবগী ঈফুৎ ফাওরকপদা উরিবা শক্তমশিং তারিবা ৱারীশিং। অদুনা অইবা এন এস সিংহনা ইরক্লি 'ঐগী কেনভাস' মিংথোল ওইরিবা শৈরেং অসিমক লাইরিক অসিগী হেক ইহান হানবদা য়াওরি। *"ঐ য়েক্কনি/হন্না হন্না তুরিসিনা/ঐগী কেনভাসতা/মচু মচুনা মতম খুদিং/মীওইবগী লমচৎ-শাজৎ/মীওইবগী শক্তম/লাউগনি অদুগা/অতিয়া নিলহনগনি/ঐগী খোল্লাউনা। মমাগী ফিজি পায়দুনা/চিংখিবগী ৱারী শিংবুল/তমথীবা মীহাৎপুঙ/খোঙপাকখাদা নেৎথদুনা থমখিবা/শেগায়খিবা ফিরাল মচুশিং/..."* লাঃ ১ কবিনা হেক তাইবঙ খোঙদারকপদগীনা হৌজিক ফাওবসিদা থেংনরিবা খুন্নাইগী মশক, ঐখোয়গী নিংতম্লগী ৱাহম্বোক, য়ুমদাংবশিংগী শারৌ লাংদা ঙসিসু ওইরিবা লৈবাক অসিগী মরাইবক পূম্নমক অসিদা করিগুম্বা খরদি হায়নীংলি অমসুং খোঞ্জেল হৌনা লাউনীংলি য়ানীংদে, পামদে হায়না। ইমা লৈবাক অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবশিংদুগী মতিক মগুন শৈথানীংলুই অদুবু হেক থংনবা মীকুপ্তা উরিবা নে-তাদ্রবা চরাংনবা, পুকচেল খোয়জেল মকশিল্লবা, করাম চাওরবা লৈবাক নীংবা শারিবশিং অসি উবদা অশেংবা মিতমশিং য়েকপা ঙমদে মহাক্কী কেনভাসতা। য়েক্নমদবা য়াদবা মথৌদাংনি খন্না কেল্লবা উনাশিং খুনগৎতুনা, নোংলৈদা হুমদোল্লবা চেক্লাশিংগী ৱারীদি লেপ্তুনা য়েকখিনি হায়না কবিনা ফোঙদোক্লি।

লৈবাক নীংবগী পূক্নিং ইহুলশিং য়াওরবা শৈরেং অমনি 'ঈ তিনশিনগুমসি'। মালেমসি অমত্তনি হায়রবসু মীওইবদি নুংশিনা চান্ন-চিন্ননা লৈগদবনি ফোঙদোক্লবসু অচৌবা ফুরুপ্না অপিকপা ফুরুপ কাঙলূপশিংবু তুহৎ নৈহৎপদি তূমিন্না কনাসু খাঙদুনা লৈথোকপা ঙমদে। অদুনা মীওইবা মশেল মরক্তা লান হেক হেক তৌনরিবসিনি। কাঙলূপ কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরিবা মণিপুর ঙসি মীতোপ মীয়ান কয়ানা তপ্না তপ্না খুন্দাশিল্লক্তুনা ইরমদা মীরম ওইরকপগী অদুগা হান্না লৈজরল্লিবা নেটিভশিংনা অমুক মীতোপকুম্না পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপা ঙমদবা, য়াম্না তুশোন মানশোন্না লৈরকপগী ফীভম অমদা লাকপা অসিদা কবি এন এস সিংহ তূমিন্না লৈথোকপা ঙমদে হেক্তা ইনীংলকই। মরমদি হায়দবা য়ারক্তে তুংগী মীরোলগী খল্লগা। অদুনা হায়রক্লি, *"ঐখোয় অপীকপা খুন্নাইনি/কনা অমত্তগী লাইনীং-লাইশোন লৌগুমসি/ৱাশক পরৈনসি/খুন্নাইসি মূৎখিবদা কনানা কপ্পীগনি"* লাঃ ৫। অপাবশিংদা নীংশিংহল্লক্লি ৱাহৈশিং অসিনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা নোংমা কাংদনা ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্লিবা মীশিং। মীপায়দবা ঙমদে কবিনা মমা লৈবাক অসিগীদমক্তা। তপ্না তপ্না ঈ নামুংখ্রবদি মসিদা থোক্লক্নদবা য়ানশিল্লবা শক্তম, মশক মচু থোক্লক্লোইদবা খুন্নাইগী ফীভম অদু খঞ্জিল্লুবদা ফোংনা হায়দবা ইদবা ঙল্লক্তে। সিম্বোল ওইনা চেঙ শীজিন্নদুনা অমুক্না হেন্না শাফু কন্না ইরক্লি, "য়ানশিন্নখ্রবদা" (লাঃ ১৬) হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমা অমুক। কবিনা শৈরেং অসিদা শীজিন্নরিবা চেঙগী সিম্বোল অসি মসিদনা হেন্না চংখোন্না ইবা থেংনৈ। হায়নীংলিবা অমদি পীনীংলিবা পাউজেলদি ইমান মান্নৈ। হৌজিক মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি লাখ ৩১ খরা হেল্লে অনৌবা সেন্সসকী রিপোর্ট মতুংইন্না। মসিদা হান্না লৈজরম্বা য়েলহৌ মীগী মশীং অসিমক কয়া য়াম্না লৈরি হায়বা পূম্নমক্না খঙনরে। ইজাতিগী অমদি ইফুরুপকী তুংগী লাইবক অসিগীদমক্তা করম্নদি খন্দবা ঙমগনি। ফৌরেল লৌফমশিংদা ফৌহাম শাৎলক্লিবা অসিবু য়েংশিনবা পান্লি কবিনা। পামদবা মখলগী পান্বীশিং হৌজিল্লকপা থিংনীংলি। অদুগা তিঞ্জং কায়জংদবা সনা ফৌগী মরূ চঙলবা চেঙ পুথোক্নীংলি।

কবিশিংনা শৈরেং ইরকপদা ইমা লৈবাকপু শৈথাদনা খক তোক্তে। হঞ্জিন হঞ্জিন হেক্তা ইনীংবজাৎনি ইমা লৈবাক্কীদমক্তা। মরমদি ইমা লৈবাক্তগী হেন্না নুংশিবা লমদম অমা মালেমদা অনীশুনা খক থেংনরোই। মাগী লৈবাক লৈহাওদা হৌবা মহৈ মরোং চাদুনা মাগী ঈশিং, নুংশিৎতা চাওরক্তুনা তাইবঙ পুন্সিনা হিংলিবসি ইমা মহাক্কী চাওরবা খুদোল অদুননি। মপাল নাইদ্রবা খুদোল অসিবু শৈথাদুনা করিগুম্বা খরা ঈশৈ ওইনা শৈরেং ওইনা নৎত্রগা অয়েকপা লাই ওইনা পূক্নিংদা ফাওরিবা নুংশিবা অদু ফোঙদোক্তবা ঙমদে কবি এন এস সিংহসু। অদুবু হৌজিক কবিনা উরিবা শক্তম অসিমক্তি প্রোব্লেম কয়ানা থল্লক্লিবা অদুগুম্বা ইমা লৈবাক অদুগী মশক অদুনি। শম্না বিটর রিএলিটি হায়বদুনি। অদুনা ইরক্লি "পোক্নফম ইমা লমনুংশি" - *ভারতকী লংদাইদা চীংলোন মাপনগী কুয়োমনুংদা/চাওখৎলবা মালেমগী লম্বী-থোং কল-কারখানা লৈত্রবা/শুফম নোম্ফম খঙদ্রবা শেন্দান লম্বী লৈত্রবা লমদম/নোংমগী হিংনবগী পোৎচঙ পূম্বা মীপান তাংলবা লমদম/পুন্সিগী লম্বীদা লম্মুক্নরবা ঈরৈচাশিং অচুম অরান খঙখিদ্রে.../* লাঃ ৩৪। আশা অমদি থল্লি কবিনা। মতম অমদি লাকখিনি খুদাং পিফম নাইরবী পোক্নফম ইমা মহাক্কী মিৎলু পিরাং তৈথোক্লবা অপূনবগী লীংজেল মান্নরবা মচাশিং। মতম অদু ফাওবদি ৱানা ৱানা ঙাইখিসি হায়না ফোঙদোক্লি কবিনা।

কবি এন এস সিংহ শান্তিবু ইখৌ লাংজরিবা কবি অমনি হায়বসি মহাক্কী কঙলবা চোরফোন পান্বী অসিদা মহাক্না উরিবা অমদি খুন্নাইদা য়েংনীংলিবদু ময়েক লানা ফোঙদোকপা থেংনৈ। ইচম চম্বা খূৎফোঙদোক্তা মীওইবগী খূৎশেমদা মহৌশানা মায়োক্নবা ঙল্লক্তবা অমদি চাওখৎপগী মিংদা লাক্লিবা অহোংবা অওনবশিং অসিনা পীরিবা চৈথেং অসিবু শান্তিগী সিম্বোল ওইরিবা খুনু অঙৌবা অমবু হৱাইমান (হৌদোং) না শরাক তমখিবা অদুগা চোরফোন পান্বীনা লেপকঙ কঙবা অসিদা পুশিল্লক্তুনা উৎনবা হোৎনেরি।

মীওইবা ঐখোয়সি পোক্লবনিনা নোংমা শোয়দনা শিগনি হায়বসি নীংশিংলুদে। শিবা হায়বসি কাউথোক্তুনা পীক্লবা কোকশিংনা নাপল অমদি অচাওরমগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা ঐ মঙাইরে হায়দুনা হেক হেক হিংনবা হোৎনৈ অদুবু অশিবা হায়বদুগী খয়াৎতগীদি নাম্থোকপা ঙমদে কনাসু। মসি খঙলবসু থৱায়গী মমলদি কনাসু খঙদে। থৱায়দি নিংথৌগী থৱায়সু মীচম অমগী থৱায়সু চপ মান্নৈ হায়বসি নীংশিংবা অমসুং খন্থবা ঙমদে। আর্ম কনফ্লিক্টকী লমদম অমা ওইরিবা মণিপুরদা মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিং আইন ঙাকপগী মীংদা খাঙুথক্তা পুন্সি পিখম্নখিবা কয়া অদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইরকপনি "থৱায়গী মমল" (লাঃ ৬১) হায়রিবা শৈরেং অসিমক। ৱাহং হংলি লাল্লিবসি কনানো হায়না। কবি এন এস সিংহগী অহানবা শৈরেং লাইরিক অসিমক ফজবা শৈরেংশিং অদুমক য়াওবা থেংনৈ। তৌইগুম্বসুং মহাক মশানা টাইপ সেট তৌবনা বনান্দা অমদি লাইরিক্কী গেট অপ অসি খরা প্রোফেসনেল ওইনা মথংদা ফোঙদোকপীরক্লদি অপাবশিংদা হেন্না নুংঙাইগনি খল্লি। মপূংদা পাবদা নুংঙাইবা অমদি তোঙান তোঙানবা ফজরবা থিম কয়া ইরকপা অসিমক থাগৎনীংঙাইনি। লেপ্তুনা লাইরিক কয়া ইরকখিনি হায়বগী থাজবা থমজরি। ***-তোংব্রম অমরজিৎ***

**ৱারী ককনাউ**

# নপাম য়ৌগেরা নঙ

"চৎথোক খোৎতোলমদাইসিদা হৌরক্কনুকো, হৌরক্কনু হায়রিসিনি" হন্দক্তা এম এল এ ওইনা নৌনা কারক্লবা মোচানা মিংশেল মমাঙদা লেপ্পগা মশমগদু শ্রীৎ নান্না হাৎলগা, নেহরু কোটকী ঙমশম কুন্দামদু পান্না পান্না মাগী নুপীদা চৈঙাঙ ঙাঙলকপনি। মাগী নুপী তথোৎপী নহানখৈ নৎত্রে, ভোট ময়াগদুদি মশম হাৎনি ফাও কাউবনি। তোরো শাখৈ কোয়চেন চেনবনি অদুবু হৌজিক্তি মদু ওইদ্রে। অয়ূকসিদা ফজনা কেথরে, মনম মহা নুংশিবগকা চাইদনা, ময়ূমদা লৈবা মানা রানি ফি ময়েক থোকপী অমগা ইল্লদনা মপুরোইবা এম এল এগী ওইরোমথংবদা তুং ওইরপ্না লেপ্পী। মাগী মমীদু হকচাং হকচাং চনবা মিংশেলদুদা ময়েক শেংনা তারি। মচিনদু পৈরপ তৌরগা ওইননা খুমজে।

"কমাই তৌদুইনোবা অদো! চৎখ্রিবা শেলদু অঙাং নত্তেকো। ফাগি য়াবা শেনফম নত্তে। অদুক য়ামখ্রবা ক্রোরদুবু শ্বাই শ্বাই মাঙখৈ তিংথোক্লগা, হৌজিকপু শেঞ্জা থুমজা য়ারোই, অদু-অদা য়ারোই হায়না অমুক তৌখৎলকই। সুমাই তৌদৌ ওইরদি ভোট লেপ্পমদ্রসু য়াই কৈনো, সিদি মী শিনি হায়সিনি। নোইগী লোকল এরিয়া ফন্দ গাইদুবু কায়বা য়াখিরোইদ্রো?"

"নুংঙাইখিদ্রেদকো তথোৎ ইবেমা। ঐসি এম এল এনিনে, শিংবদৈ শিংবা শিংত্রিক নিনে ঐসে। কনানা শেঞ্জা থুমজা য়ারোই হায়নো, পাউচেগী ৱাদুরো?"

"হায়মা কৈনো হায়সিবো, মোই পাবুংবু কৈমতা তাদবরো? নহান্না লাউথোকখ্রে কৈনো?"

"অদুদি মমাঙদসু লাউথোক্লিদুদি? কনানা শেঞ্জা থুমজা তৌদগে? সুক পংবসিবু, সিবু ঐগী নুপীনি হায়বদা লেমজদেদা লাইমা"

"হো অদু লেম্নবনে ঐনা এরিয়া ফন্দ করিনো, সনা খিত্তা শাগে, মী মমাঙদা এম এল এগী নুপীনি হায়রগা নান্নপী অমগা চৎপা ফজদে হায়রিসে। কদাইদগী হন্দক্কী ভোটতুদি ইমানা হেক পোকপদৈ থেংবু থেংনদ্রিনে। থাদরিখৈ মপান নাইদবা, থাদ-থাদনা শেল ৱাৎলে, শেল ৱাৎলেদা হায়বা, লোক্তাক্তা থুম বোরা বোরা হৈথবদু ঙাইনে। ইমাইপেমা য়ামখ্রবা শেলনি। চামঙা চৎপীদু পোৎমা চনবা বোরাদু য়ামখ্রবনিদা। অদু মক্তদা শেল কৌরে কাদৌ মান্দ্রে হায়সিনবু নুংশিৎমুক কুংইনে"

"চাউনীংঙদি খরা তিং তারেদনা"

"হো তিংজরে তিংজরে, য়াম তিংজখ্রে, ক্রোর য়ামখ্রবনি। মদু ঙম্নবা হোৎনবদা অরৈবখৈ লোইনা পোন্থা থারবা নৎত্রো? হৌজিক্তি হঞ্জিন্নবা কোক থাদবা তাবনি। কান্নদে, এরিয়া ফন্দ হয়েংমক কায়য়ু হায়সিনি"

নুংঙাইখিদ্রেদকো তথোৎ। ঐনা চৎতৌরিসে অরুবনি চীফ গেষ্টনি ওইদৌরিসে। কদাই ঙরাংগী শেলদু খরা পীরকউ। হোরেন লিশীং ১০ দং পীরমদ্রদি ঐবু এম এল এনি, চীফ গেষ্টনি হায়রগা য়াম লেম্মরোইদা। গেষ্ট ওফ ওনরনা শৎ লাউনা শৎলগা পীখ্রগা থোক লাউথোরক্লদি ঐ কুদ্রুক কদ্রাক তাহৌনিসে। লিশীং ২০ মুক্তা পুথোরকউ থেংলবনি ঐ। অদুগা দ্রাইভরদু গাড়ী থৌদোক-ও হায়খো। সিক্যুরিটিগদু মশা খরা নাল্লু হায়য়ু। মশা খিং খিং লাওনবা য়ু খরা খরা পীথকসিরা খঙদ্রেনে তৌরিসে"

"ঙাইখোদা ৱাসে মেন তানখিসিদা"

"করি মেন্নো তাদৌরিসিবো?"

"কমাইনা হনজিদৌরিনো সিনি"

"তানিংদেকো তথোৎপী, য়াম্না অপংবীদৌনা চবেৎ চবেৎ ঙাঙনুকো"

"হো করিকরি বিজিনেস তৌবসু য়ারোই, ৱানোম ৱাচৎসু য়ারোই হায়রিসিনি"

"হায়জসনু হায়বনি, ঐখোয়সে মৈতৈনি, অমনা হায়রগা গ্রুং লাওনা হেক্তা চৎপা য়াবা নত্তে। ঙসিফাও মনুংদা এম এল এ অমত্তা ভোট লেপ্পদা তিংখিবা শেল মাঙই হায়বা তাদেকো। ভোট কারিসে লগাও ফাওরবনি। কাদ্রিদুনা ফাওদ্রবনি। ফাওরবা ঐনা কৈদৌ ৱাজদুইনো? য়েংঙু ঐ তৌথরক্কে"

"নঙগী মহৌশাগী থিকাদারগী ধমকাদারদুনা য়ারোইদা"

হন্দক্তি এম এল এ মোচা খোইদৌ ফজনা শৌগৎলে, ঈ কারক্লে। মাই নুপীদা থোক ওনশিল্লগা খংলাউ লাউরকই।

"তথোৎ, নপাম য়ৌনি নঙ" মাই ৱাদুদা তথোৎপীনা ফাক ফাক নোকথোরক্লগা,

"হহায়ো! য়ৌরগেহে ইপামদো। করি থোকচৈ হায়দনা ঙাঙজসারিনো। নবেম্মা ঐনা মী খুদিংগী হায়জ-নোঞ্জদনা ভোট কারে অদুগা ঐবু ইপাম য়ৌনি গাইনা। এম এল এগী নুপীনি মুক্কে হায়না নঙসে কাহল্লিনি। অদুগবু ঐবু ইপাম য়ৌনিগাইনা, নোক্তুম নোকশিনগে, হহায়ো!"

"হায়মা হায়মা মসি মতা অমনিনে"

"মানি মতা অমনি। ঐনা হায়রি ৱাসিবু কয়াম কায়গে। ভোটতা চঙখ্রি শেনয়ামদু ফাগি নত্তে। কমাইনা কোখৎসিগে হায়না খন্নবৈ ৱানি। অদুগা ঐবু ইপাম য়ৌনি গাইনা, য়ৌরগেহে, করি থোকচৈ হায়দনা হায়জসারিনো" তথোৎপীদুদি শুর হাপ হাপ্তুনা অমুক লাওখৎ, অমুক নেমথ কোর্দ হোং হোংদনা সিলোক থিগুম থিদরকই।

"হায় অপংবী, শোনোবী, ঐনা হায়সি ৱাখলদু খল্লুনে। ঐনবু শেল মাঙনবা থবক তৌগদরো? থিকা তপ তাখৈ তৌরম্মী। শেল তখৎতনা তানশিল্লে। মদুনা পেন্দ্রদনা ভোট লেপ্পীসিনি। ঐবু অপংবরো, অঙাওবরো, মীঙোন্দা অদুক য়াম্বা শেলদু ফ্রীদা পীথোক্কদ্রো? মশানা হঞ্জিন্নবা থবক অদুম তৌজরক্কনিনে, ঐসে মোচা নে মোচা থিকাদার মোচা, হৌজিক্না এম এল এ মোচা খঙবরা?

"খঙই, খঙদনা ৱা তানরিসিনি"

"হায় ৱা হায়গে তাও। পোলিটিসিয়ন হায়বসি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মীবু য়াম্না থাজহনবা ৱা ঙাঙবা হৈবা তাবনি। তৌবনা অমা হায়বনা অমনি। মনুং অমদি মপান হায়বা অমা লৈকো। মদু খঙনা চৎকন্দবনি। অদু হৈবদুবুনি অহৈবা পোলিটিসিয়ন হায়রিসে খঙবরা?"

"ঐদিনে খোইদৌসি বৃ-বৃ হেক থিৎলিদা, ঐনা হায়সিসু কৈ কায়গে সিনি?"

"মসি ঈ কারক্তনা... নপাম য়ৌগেরা নঙ?"

"মসিদনে ঐনা বৃ-বৃ পাখৎলিসে, মসিগী ৱাহৈসিদনে"

"নঙনা এম এল এ হেক ওইবগা ঐবু নপাম য়ৌগেরা য়ৌগেরা হায়না হংলিসি, নঙ নুপী লোল্লগে হায়রা?" হন্দক্তি এম এল এ মোচা খংশাও শাওরক্লে, মখূৎ মসা মরেং মরেং চৎলকই। মাগী থায়নগী কাওবোই ফিল্মগী থুনা শৎপীদু তৌনীংলকই। মখূৎতু মবুক্তা য়েপ্পদু তাপ পায়রগা, খংলাও লাওরকই।

"তথোৎ..."

তাঞ্জাসিদা পি এসতু থোঙজিন মপান্দা লেপ্পগা মঙক লিৎশিল্লগা,

"সার গাড়ী ষ্টার্ট তৌরে, অসোমদগীসু থেংঙেনা ফোন পংতৌদা তৌরকই"।

"য়ারে য়ারে থোরকএ" তপথরগা খুমখি। পি এসতু থোকখ্রে। মাগী নুপীদা ওনশিল্লগা হায়রকই।

"কৈসু নুংশা থিরুনু পেম্মা, চৎখ্রিদুদগী শরুক ১০০ হেন্না পেল্লুগদবনিকো" হায়রম্মগা থোকখ্রে। তথোৎ ৱাতাদুদা মঙলম্বা নোংনা হাইদোকখ্রগা নুংশা থোরকপদু ঙাই, নোকফেৎ তৌনা লৈহৌই। ***-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা***

# অহাঙবগী মমি

য়াম্না নুংঙাইতববুদি নত্তে। হোয়, নুংঙাইবা মীৎকুপ্পুদি নত্তে। নুংশিৎ-নুংশা চপ লেপ্লবা, শিরবা, মহাম তারবা মীৎকুপনি।

ইমা লৈখিদবগী কর্ম্ম অমা লোইবা মতুংনি। নুংথিলদু মী চিকপা ইথন্তা লৈবা তাঞ্জানি। দেদি লৈখিদবসু নীংশিংলকই। ইতৎ তক্তনা হংদুনা লৈরবা ৱাহং - পুন্সিসি করিনো - মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা ঙসিসু হংলকই। নোংমা পোকপা নোংমা শিবা ফিজং অনীগী মরুমদা পুন্সিনা কেকু লোৎপী শান্নবদৌনা ফাওই। খুবামনুংদগী জর জর নাম্থখিদুনা ঈশিং তুংউ য়াদবগুম পুন্সিসি ঐনা হিংলিবসিদগী নাম্থোকখিদুনা মশক মশা খঙবা ঙমদে। য়াম্না নকপোই নীংই; য়াম্না লাপ্পী। উরোইদবোই খল্লুই - খজিক্তং উরকপসু য়াওই। ঙসিদি ইপা ইমা লৈখিদবদু ময়েক শেংলকই। লকানুংদা পুমহাঙ হাঙবা অমা ফাওই। খৌনাওদগী পূক্নুং ফাওবা ইহো হোবগুম তৌই। শিবা নৌরিঙৈ থম্মোয়না খুদুম চন্দুনা অহিংবগা অশিবগা তোরোৎ খোদানবগী মতম লৈমন চনখ্রে। ঐগী ইতিহাসকী পন্দুপ অমদি নাখৈ শেংনা লোইরে।

শিবগী মরমদা। হিংবগী মরমদসু। অমগী অমগী। পঙখন খঞ্জিল্লুবগী ৱাবুদি নত্তেদা। অদো মীনিনা খঞ্জিল্লুদ্রসু খন্দবদি ঙম্নবদো? শিবা নাবা, অৱা নুংঙাই। কায়নবা থুংনবা। পুন্সি য়েন্নিংথাদা ঐনা কা হেন্না ৱাখিবদো! অকিবা কোঙ্গায়। নোক্নিং নোক্নিংবা কয়া। অদুবু ঙসিদি হায়নীংই। আ থৱায় ময়োলদগী হায়নীংই। আহ! ঙক্না ফজৈদকো পুন্সিসে।

পূন্না য়েংবদা। মপূমদা পুন্সিসি ঙক্না ফজৈ।

দেদিগা নোংমা ৱারী শানখিবদু। পুন্সিদা কলাগী মতাংদনি। নোংমনা ঙসিগী ওইরিবা পুন্সি মহিংসিদা অইবশিংগী মফমগী মতাংদা ৱারী শানখি। ইপা -ইচা ৱারী শানবদুদা নুংঙাইখিবদো। নুংশামপী হোনমিন্নখিবদো। শক্না শক্না হায়দুনি। অঙাংনি তৌজসনু হায়না ঙাকপীদুনা য়েংখিবা ইমাগী মীৎয়েংদো ঙসিদা মপূং ফানা উরকই। ঙসিদি ওন্থোক্না তামখ্রে। ওন্থোক্না শিনা উরে। হোয়, শিখ্রবনিনা শিখ্রেদনা। মরক মরক্তা নীংশিংলকপা নত্তনা করিদি লৈরি। ঙসিবুদি। হৌজিকপুদি।

নীংশিংলগা নুংঙাই। নীংশিংবনা পুন্সিসি পোত্থাহনবা জাৎলা? মার্ব্বল শান্নরিঙৈ থ্রি কাপ্পী শান্নরিঙৈ মতমদু মীঙোন্দা তমথোকপদদি করিসু নুংঙাইরোই।

ঐনা নীংশিংজবদদি ঐঙোন্দদি নুংঙাই। য়াম্না নুংশি। হিংবগী মহাউ হাপ্পী। পুন্সিগী পাঙ্গল পী।

য়েংথোকখিবদা তাইবঙপানসি ইহাঙ হাঙই। ময়েক শেংদে। মকা লামদে। ঐনা খল্লি মকা লাম্লরোই। ঐননি। ঐগী পূক্নিংননি। পূক্নিংদা অৱাবগী তীল অমনা চিকখ্রগা করম্না নুংঙাইগদৌরিবনো? নুংঙাইতে। নুংঙাইতবা য়াবমখৈ নুংঙাইতে। ৱাই। চীকই। পূমহাঙ হাঙই।

ঐবু কৌরকপা তাই। ঐগী নুপীনি।

'কৈদৌরে?', ঐনা হংই।

'কৈসু থোইদোকপা লৈতে। নথন্তা কদাই লৈখ্রনো হায়না থিরকইনি। হাইমা, কৈদৌরে শকফমগা হঞ্জিন্দুনা অসুক নুংশুক নুংজানরিদি?'

'কৈসু তৌদে। ইথন্তা মওন মওন খন্দুনা লৈরুরমাল্লে। অহল-লমন লৈখিদবা তুংসিদা কুইদ্রিবনরা কৈনো ঙসিসি পূমহাঙ হাঙই। পূমচিক চিকই। মচেৎকা মপূমগা অৱাবগা নুংঙাইবগা থৌরী চিংবী শান্নদুনা লৈবগুম ফাওই। নীংশিংদুনা অঙাং অমুক ওই। মঙ মঙদুনা অহল অমুক ওই। অসুম হায়না অসুম হিংবা ওইরমাল্লে পুন্সি হায়সি। অতাবী অমা ইখঙ খঙদনা।'

'খঞ্জিল্লুনু। কিহোম মহী অহাউবা লৈ। থকসি।'

থকমিন্নৈ। হাউই।

'নঙগীসি হাউইনে।'

'হাউতদি কৈনো। পিথক্লিংনা পিথকপা। হৱা নুংশিৎসিসু হৈ মহী থক্লিংবা মতাংনি। নঙগী অপাম্বসু ঐ ফনা ফজনা খঙই। চহী য়াম্মে লৈমিন্নরক্লিবা। নঙসে ঐগী নুপানি।'

'ইস নঙগী ৱাতাসিদি কিহোম মহীদগী হেন্না হাউইহে।'

'হাউনি, হাউনি। পুন্সিসিসু য়াম্না খঞ্জিনদনা হিংবনা হেন্না মহাউ লৈবনি। খঞ্জিল্লুরগা চৈখৈ হেক হেক থেংনৈ। ঐনা নীংজরিবা, আশা, মঙলান কয়াসি চাম্মগী মনুংদা কয়া য়াম্না মঙফাওনরগে? অমা অনী মঙাই? অদুনা খঞ্জিন্দুনা হেন্না ৱাশিল্লুবগী করি কান্নবগে?'

মীৎকুপ অমতং পুন্সিসি ঙাম্থোরকপগুম তৌই। অৱাবগী লৈরাং কেনখিদুনা নুংঙাইবগী লৈরাং পোমখৎলকই। সংসারসি পূমথন থল্লি। অহাঙবা মচেৎ অমত্তা লৈতে। আহ! ঙক্না ফজৈদকো পুন্সিসে! মাঙদা লৈরিবিসি চুম্নগী ঈ-তোংগী মুর্তি নত্তে। হায়নীংই। ঐ ইচা মরিগী মপানি। মা ঐগী নুপীনি।

***-কাংজম ৱাধাকুমার***

***(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।